**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-12-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** থৌবাল জিলগী হৈরোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সলুংফম হায়স্কুলময়াগী থোংখোঙদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা প্রিপাক (প্রো) নি হায়বা মীওই অমনি হায়বা মীওই অমা শিরে।

পুলিসকী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী-সোইবম বিনোইনা হায়-ঙসি অয়ুক পুং ৯ মিনিট ৪৫ তাবা অদুৱাইদা খুৎ থোকবগী থৌদেকা অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা থৌবালদগী প্রেম কৌবা মীওই অমা রাজ মেদিসিতিদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। থৌদোক অদুদা মীওই তরুক অমসুং খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমলে।

খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা ইনসার্স রাইফল অহুম, মেগজিন মরি, কাপ্পা য়ারিবমা মরু ৪৬, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স রাইফল এমোগ অমা, মেগজিন অনি, কাপ্পা য়ারিবা মরু ২৭, মেগজিন অনিগা লোয়ননা সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম. এস.এল.আর. অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ২৫, মেগজিন অমগা লোয়ননা পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩৭ ফংলে হায়রি।

**দেদ (এল)ঃ** ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাবগাইদা চেক শুবা নোন-মনিপুরি অনি নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শিরে হায়রি।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমী-নোংমাইথেম ভাবেশ্বরনা হায়-ৱাবগাইদা চেক শুবা হল্লকপদা কৈরক পঞ্চায়ট ওফিস মমাং-নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ (এ) দা শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী মীওই অনি অদু লৈখিদবনি। মখোয় অনিমক বিহারদগী ঙাক্তনি হৌজিকা ককচিং খুনয়াই লৈকাইগী ভারা অমদা

লৈবনি। মীওই অনি অদু ককচিং জিবন হোস্পিতাল তমা পুরকপগী লম্বীদা লৈখিদবনি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী বোড়োবেক্রা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লমতাই খুনৌদা লৈবা মীওই অমগী য়ুমদা ঙসি বোম পোকখায়খ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং অনি মিনিট ১০ রোম তাবা অদুৱাইদা বোড়োবেক্রা পুলিস ষ্টেসনদগী কিলোমিটর অহুমলোম লাপা লৈবা মফম অদুদা বোম অদু পোকখায়খিবনি।

**শম্বল (এল)ঃ** বোর্ডর রোডস ওর্গনাইজেসন (বি.আর.ও) না ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈগী শম্বল খাবগী থবক হৌখ্রে।

পি.আর.ও. দিফেন্সকী পাউনা মতুং ইন্না শম্বল খাবগী থবক অসি তেংনৌপল জিলাগী ঙমখৈ সহর মোরেগী পরিংদগী হৌবনি। শম্বল খাবগী থবক অসি প্রোজেক্ট সেৱাককী মখাদা পায়খৎপনি।

ভারত অমসুং ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিং অসি কিলোমিটর ১,৬৪৩ শাংই। মসিগী মনুংদা মনিপুরগা ম্যান্মারগা তায়নরিবা ঙমখৈ পরিং অসি কিলোমিটর ৩৯৮ নি। মসিগী মনুংদা কিলোমিটর তরাখক হান্না শম্বল খাদুনা লৈবনি। শম্বল খাবগী থবক অসি লুপা কোতি লিশিং ৩১ চংনা পায়খৎপনি।

**লীলা (এল)ঃ** কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গী মখাদা নুমিৎ মঙানি চখুগদবা শুমাং লীলা কুম্মৈ ঙসি হৌদোকখ্রে।

আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ অমসুং মনিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা পুন্না শিনদুনা পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেল অসিদা নুপাগী লীলা মঙা অমসুং নুপীগী লীলা মঙা পুন্না লীলা তরা উৎকনি।

ফেষ্টিবেল অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ৱিমেন আর্ট এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসনগী নুপী লীলারোইশিংনা শান্নবা লোন্নবী মচা অমসুং পিছ মেকর আর্টিস এসোসিয়েসনগী নুপা লীলারোইনা শান্নবা মুৎলরোইদবা মচু উৎখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা ইষ্টর্ন জোন কলচরেল সেন্টরগী মেম্বর-বুধা চিংথামনা হায়-শুমাং লীলানা শোন্থখিবা হায়বসি য়ামা লাইবক থিবনি। শুমাং লীলাগী মপাননা মীরোল কয়াগী ৱাখল লৌশিং ওইহল্লিবনি। শুমাং লীলা হায়বসি মালেমগী ওইনসু খ্বাইদগী লীবা ঠিয়েটর ফোমশিংগী মনুংদা অমনি। শ্রী বুধানা হায়-শুমাং লীলানা মুখরকপগী মমি উরকপা অসিদা নুংঙাইতবা ফাওই।

**বিশ্বজিৎ (এল)**ঃ কামজোং জিলাগী চাদোংদা নুমিৎ নিনি চখরকপা মনিপুর ইন্দিজিনস পিপলস কলচরেল এক্সচেঞ্জ ফেষ্টিবেল ঙসি লোয়শিনখ্রে।

রাজ্য সরকারগী তুরিজম বিভাগকী মখাদা ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মনিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেল অসিগী ঙসি লোয়শিনবা থৌরমদা পৱার, ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎ শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-লমদম অসিদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা জাতি কাংলুপশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী, শান্তি পুরকবা অমদি কালা সংস্কৃত্তি য়োক্তুনা থমবা হোৎনবদা ফেষ্টিবেল অসিনা চাউরবা দায়ত্ব লৌরি। মহাকা হায়-হৌজিক থোক্লিবা চরাংনবা মরক অসিদা অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা হায়বসি য়ামা তঙাইফদে। ফেষ্টিবেল অসিগা মরী লৈননা কালা সংস্কৃত্তিগী থৌরম কয়ামরুমসু পাঙথোকখি।

**পোপী (এল)**ঃ চুরচান্দপুর জিলাগী থিংঘনজাংগী লম একর ৫.৭ তা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম

বিরেন সিংহনা চুরাচান্দপুর পুলিস, ৩৬ শুবা অসাম রাইফলস, চুরাচান্দপুর ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং নাফকী অপুনবা কাংবু অমনা তুইবোং সব দিভিজনগী মনুং চনবা থিংগংজং এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথখিবনি। মহাকা হায়-আইন কায়না লম একর ৫.৭ তরেৎতা থারম্বা পোপীশিং মাঙ তাকহনবা অসি য়ামা থাগৎনিংঙাইনি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসি অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা মখা তানা চথমীন্নসি।

**সিএসএস (এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা মশাগী অনাবা কয়া ইম্ফালদা লায়েংবা ঙমদ্রিবা কৌক্রুক্কী মীয়ামগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা কমিতি ওফ সিভিল সোসাইটিজ কংলৈপাকনা শিনদুনা কৌক্রুক্কী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুগা মরী লৈননা সোসাইতি অসিগী প্রসিদেন্ট-জিতেন্দ্র নিঙোম্বমনা হায়-ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা হোস্পিতালশিংদা চৎতুনা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংদ্রবা মীওইশিং খনদুনা জেনিমসকী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগা খুৎশমরগা কেম্প অসি পাঙথোকপনি।

**লাইব্রেরী (এল)ঃ** ৩১ শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়ার হয়েংদগী কৈশাম্পাৎ ইম্ফালদা লৈবা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরীগী ওদিটোরিয়মদা হৌরগনি।

ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরী ইম্ফাল অমসুং রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী টুয়েল্ব দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরীজনা রাজা রামমোহোন রোই লাইব্রেরী ফাউন্দেসন কোলকাতাগা পুন্না শিনদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা বুক ফেয়ার অসি থা অসিগী ২৪ ফাওবা চথগনি।

ইম্ফাল বুক ফেয়ার বুক পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, রাজ্য অসিদা লাইব্রেরীগী ইহৌ শাগৎপা, লাইরিক হেন্না পুথোকবা, লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈহন্নবনি। ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরী ইম্ফালগী চীফ লাইব্রেরিয়ান-আর.কে.

উরমিলা দেবীনা হায়-ইম্ফাল বুক ফেয়ার অসি ইং কুমজা ১৯৯১ দগী হৌদোকখিবনি। অদুমওইনমক, ১৯৯২, ২০২০ অমসুং ২০২১ দদি বুক ফেয়ার অসি পাঙথোকখিদে। মহাকা হায়-কুমশি চহিগী লাইরিক্কী মেলা অসিদা লমদম অসিগী ওইবা বুক ফার্ম ২১ অমসুং অতৈ রাজ্যশিংদগী লাকপা বুক ফার্ম ১১ পুন্না ৩২ না শরুক য়াগনি।

আর.কে. উরমিলানা হায়-নুমিৎ ১০ নি চৎথগদবা লাইরিক মেলাগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং, মায় পাক্লবা মীওইশিংগা উন্নবা, অইবশিংগা উন্নবা, অনৌবা লাইরিকশিং ফোংবা, কলেজকী মহৈরোইশিং, প্রিন্সিপালশিংগা উন্নবা, শান্ন-খোৎনবগী লমদা শকাইরবা মীওইশিংগা উন্নবা, অঙাংশিংগী ওইবা খুদক্তা লাই য়েকপা চাংদমবা, ক্যুইজ অমসুং এক্স-তেমপোর স্পিস পাঙথোক্কনি। মেলা মনুংদা লাইরিক লৈবদা চাদা ১৫ দিসকাউন্ট পীগনি।

**নুপীমরুপ (এল)ঃ** দিল্লি পুলিসনা ইমা মৈরাগী কনভেন্নর য়াওনা লুপ অসিগী মীওই অহুম হাউস এরেষ্ট তৌখিববু ওল মনিপুর নুপী মরুপনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

দিল্লিদা নুপী লাল নীংশিং থৌরম শরুক য়ানবা ইম্ফাল থাদোকখিবা মখোয় অহুমবু থৌরম অদুদা শরুক য়াহন্দনা দিল্লি পুলিসনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিববু লমদম অসিগী মীয়ামনা পেন্দবা ফাওই। মখোয় অহুমবু অথুবা মতমদা থাদোকপীনবা লুপ অসিনা দাবী তৌরি।

**কাংপোকপী(এল)ঃ** খারম বেপটিস চর্চেস এসোসিয়েসন মনিপুরগী ১২ শুবা চহিগী মীফম ঙসি খারম পল্লেন বেপটিস চর্চ-কাংপোকপীদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা চর্চশিংদগী লাকপা মীওই ১০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** লীবা চনিং বেপটিস চর্চ লিংখৎখিবগী চহি ১০০ শুরকপগী কুমওন থৌরম নুমিৎ নিনি চুপা চান্দেল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লীৱা চনিং বেপটিস চর্চতা পাঙথোকখ্রে।

ওনরিং হিজ ফেটফুলনেস হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা লোয়শিনবগী থৌরমদা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**আথরঃ** আউটর লোক সভা মনিপুরগী এম.পি. কাঙম অলফ্রেদ আথরনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মনিপুরগী ইরাংগা মরী লৈননা মীয়ামগীদমক ৱাফম খরা ফোংদোকফম থোকই।

ভারত সংবিধাননা চহি ৭৫ শুরকপগা মরী লৈননা লোক সভাদা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী আথরনা হায়-তোঙান তোঙানবা জাতি কাংলুপশিংগী নুপী অঙাংশিংবু অৱাফমদা তাহনগুমসি। মহাকা হায়-হৌজিক চত্থরিবা অসি মীওইবা জাতিগী মথক্তা চত্থবা লালনি। মরম অদুনা মীকপ থোক্কুনা মীয়ামদা ৱা ঙাংবগী মতম ওইরে।

শ্রী আধরনা হায়-ভারতনা হৌজিক লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোনগী মতাংদা চাউথোকা ঙাংদুনা মালেমগী শেল থুমগী লমদা খ্বাইদগী ফবা অহুমশুবা লৈবাক ওইনবা হোৎনজরবসু মীয়াম লৈত্রবদি মসিগী ৱাহন্থোক করি লৈগনি।

**লোক সভাঃ** ভারত সংবিধানগী চহি ৭৫ শুরকপগা মরী লৈননা অখন্নবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম লোক সভাদা ঙসি মখা তানা চত্থখি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা ৱা ঙাংলদুনা পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না ডা: ভিম রাউ অম্বেদকরনা সংবিধান শেল্লম্বা অদু থাগৎপা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়-সবকা সাট- সবকা বিকাশ-সবকা বিশ্বাস অমসুং সবকা প্রয়াস হায়বা মন্ত্রদা সংবিধানগী চৎন-কাংলোনগা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র

মোদিনা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লি। শ্রী রিজিজ্না হায়-ভারতনা নীং-খা তম্লবা মতুংদা লৈবাক অসিগী লৈরিবা নাগরিক খুদিংমক্তা চাবা হক ফংহন্নবা হোৎনরি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিদা শোত্থরবা মীওইশিংবু চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংবগা লোয়ননা মখোয়ব্ আইনগী ওইবা ঙাক্লৌ পীরি।

মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিদা লৈরিবা শোত্থরবা জাতি কাংলুপ তরুক্কীদমক তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংশিংগী স্কিমশিং পায়খৎলি। মহাকা হায়-কনাগুম্বা অমনা ভারতকী মরমদা ৱা ঙাংবা মতমদা চেকশিনগদবনি। মরমদি, মখোয়না ঙাংথোরক্লিবা ৱাফম অদুনা মালেমদা মিংচৎ থিহল্লি।

শ্রী রিজিজ্না হায়-কেন্দ্রদা ইং ২০১৪ দগী এন.দি.এ. সরকার লাক্লবা মতুংদা অৱাং নোংপোক লমদমদা শিংথানিংঙাই ওইনা চাউখৎলে। মহাকা হায়-ইং ১৯৪৭ তগী ২০১৪ ফাওবদা অৱাং নোংপোক লমদমদা ইয়ারপোর্ট ৯ লৈরম্মী। অদুব্ হৌখিবা চহি তরা অসিদা লমদম অসিদা ইয়ারপোর্ট ১৭ শুরে। মসিগী মথক্তা ইং ২০১৪ ফাওবদা নেসনেল হায়ৱে কিলোমিটর লিশিং ১১ খক শেল্লবা অদু হৌখিবা চহি তরা অসিদা কিলোমিটর লিশিং ১৬ হেন্না শেমগৎলে।

**সংসদঃ** ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সনগা মরী লৈনবা বিল অনি লোক সভাদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পুথোক্লগনি।

কেন্দ্রগী আইন মন্ত্রি-আরজ্ন রাম মেঘাৱালনা দা কন্সটিট্যুটসন (ৱান টোইন্তি নাইন্ট এমেন্দেমন্টে) বিল অমসুং দা য়ুনিয়ন টেরিটোরিজ লোজ (এমেন দমেন্ট) বিল পুথোক্কনি।

ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সনগা মরী লৈননা শেমখিবা অৱাংবা থাক্কী কমিতিগী প্রস্তাব সরকারনা অয়াবা পীখিবনি। মসিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা মীখল অমুক্তদা পাঙথোকবগী লম্বী য়াৎলে।

হান্নগী রাস্ত্রপতি-রামনাথ কোবিন্দনা সভাপতি ওইবা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অদুনা ষ্টেকহোল্ডরশিং, রাজনিতি দলশিং অমদি অখণ্ড অহৈশিংগী মোত

লৌখিবনি। থৌরাং অসিগী মখাদা মীখল তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কনি। অহানবা তাঙ্কক্তা লোক সভা অমসুং রাজ্য বিধান সভা মীখল মতম অমত্তদা পাঙথোক্কনি। অদুগা, পঞ্চায়ট অমসুং ম্যুনিসিপালিতিগী মীখলশিংনা সধারনগী মীখল পাঙথোকখিবা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পাঙথোক্কনি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, দেবিকা চিংথামদগী--**

**সন্তোস ঃ** ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবেল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ট্রোফিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা ফাইনেল রাউন্দগী মেটচ অমদা মণিপুরনা সার্ভিসেসপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

তেলঙ্গানাগী হায়দ্রবাদতা লৈবা দেকান এরেনা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু এস. রগুইনা চনখিবনি। মনিপুরগী মথংগী মেটচ রাজস্থানগা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা শান্নগনি।

অমরোমদা ছত্তিসগরগী নরায়নপুরদা চথুরিবা ২৯ শুবা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজ মাতা জিজা বাই ট্রোফিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা গ্রুপ-এগী মেটচতা মণিপুরনা উরিষাবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। মণিপুরগী পাঞ্জলশিং অদু হেমাম সিলকি অমসুং লাইশ্রম বিবিচানা চনখিবনি।

মণিপুরগী মথংগী মেটচ নিংথৌকাবা নুমিৎতা ঝারখন্দগা নুংথিল পুং অনি মখায় তাবা মতমদা শান্নগনি।

**ফুটবোল ঃ** মরিশুবা মাস্তর ডা: মোইরাংথেম মনাউতোন সিংহ অমসুং এম. চন্দ্রসখি দেবী মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ঙসিদগী আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দ লমলোংদা হৌখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা সন্দে এফ.সি. অমসুং ই.এম.ভি.এফ.সি. পাঞ্জল

চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবদা টি.সি. এম.দি.সি. থোংজ্না চেম্প-খাগেমপল্লিবু রন-৬০ দা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নখিবা মেটচতা নপসা-খা ইম্ফালনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ ৱিকেট তরুক্তা থোইখি। খাঙবোক্কী পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈনা এস.এস.য়ু. শিংজমৈবু ৱিকেট ৮ দা থোইখি।

মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্টকী মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা রুল মৈত্রমনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু রন-৪৬ তা থোইখি।

থৌবাল মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নবা মেটচতনা এ.কে. এস.দি.ও. খাঙবোকনা পি.এস.সি. খুয়াথোংবু রন-৫৭ তা থোইখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং খৃষ্টমাস মরাথোন ২০২৪ গী অনিশুবা তাঙ্কক ঙসি জিলা অসিদা পাঙথোকখ্রে। রন ফোর হেলথ হায়বা থিমদা পাঙথোকপা মরাথোন অসি এদভেঞ্চর ক্লব ওফ তমেংলোংগা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা লুপশিং অমদি অসাম রাইফলসকা খুৎশমদুনা শিনবনি।

মরাথোন অসিদা পুন্না নুপা-নুপী ১৪০ হেনবনা শরুক য়াখি। মকোক মথং তারখ্রশিংদা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি।